# ষণবীদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না 'খোমদা হৌবা'

**সরাংথেম জেসমারানি**

ষণবীশিংদা য়াম্না তোয়না নাগনবা লায়না কয়াগী মনুংদা খোমদা হৌবা হায়বসিসু অমনি। লায়না অসি মরু ওইনা শঙ্গোম থোকপী ষণবীশিংদা নাগল্লি। হায়রিবা লায়না অসিনা নারক্লবদি শঙ্গোম থোকপগী চাংসু অসুক্কী মতিক হন্থে। মসিদসু নত্তনা শেল থুমগী ফীভমদা য়াম্না শোকহল্লি। ঐখোয়গী লমসিদসু লায়না অসিনা ষণবুশিংদা শেল থুমগী ফীভমদা য়াম্না শোকহল্লি। মরম অসিনা ষণ লোইবীরিবা ষণবুশিংনা শেন্থোক লৈনা ষণ লোইবীগে হায়রগদি লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীগনি।

**লায়না করম্না শন্দোরকই ঃ**

লায়না অসি বেক্টেরিয়া মখল কয়ামুক্না থোকহল্লি । হায়রিবা বেক্টেরিয়া অসিনা শঙ্গোমদা য়াওরক্তুনা মদু চারুরগা মীওইবগী হকশেলদা ফাওবা অকায়বা কয়া পীরি। করিগুম্বা মতমদসু কোকফাই শুজা মখল খরনসু খোমদা হৌবসি থোকহল্লি। খোমদা হৌবসি ষণগোলদা লৈরিবা ষণবী অমগা অমগা লৌনরকপসু য়াই। মসিদসু নত্তনা অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবা, মোৎশিল্লক্লগা লায়না অসিসু লাকই। খোমদা হৌদুনা লৈরিবা ষণবীগী খোম নৎত্রগা খোমজিন্দা নপতুনা লৈরিবা মহীক ময়ামসিনা শঙ্গোম শুম্বা মতমদা ষণবী অমদগী অমদা শন্দোরকই। মহীকশিংসিনা ষণবীগী খোমজিন্দা, উনশাদা অমদি খোমজিনগী মরী মনুংদা পূন্না লৈদুনা লাইওং অসি থোরকই। মসিদসু নত্তনা অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবা, মোৎশিল্লকপনসু হায়রিবা লায়না অসি থোকহল্লি। করিগুম্বা মতমদা ষণবীদুনা লৈরিবা ষণগোল অমদি মানা তূম্নবা থারিবা চরুশিংদু মোৎশিল্লক্লগদি লায়না অসি শন্দোরকপগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিদসু নত্তনা ষণবী মশামকসু লূ-নান্না থম্বীবা দরকার লৈ। মোৎলগদি শঙ্গোম শুম্বা মতমদা খোমজিনগী মরীদা মহীকশিংদু চঙখিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মহীকশিংসিনা চঙখ্রগা মচা মথং মথং পোকথোরক্তুনা মশীং য়ামখৎলকই। মহীকশিং অসিনা শঙ্গোম শুল্লিবা মীগী মখূৎ, ষণগোলগী চরু চনাই, লৈমায় অমদি ফক্লাংনচিংবদা পক্তুনা লৈহৌই। মসিদগী মশা ফবা ষণবীশিংগী শঙ্গোম থোরকফম মরীদা চঙখিদুনা লায়না অসি নারকপা য়াই অদুগা অমরোমদা মপুং ফানা শঙ্গোম শুমদোকপীহৌদ্রবা লেমহৌদুনা লৈহৌরগদি শঙ্গোমশিংদুনা থনজিল্লক্লগা খোমদা হৌরকপা য়াই।

**লায়নাশিংগী লায়ওং ঃ**

**লায়নাসিগী লায়ওং অনী থোকপা য়াই :-**

(ক) লায়ওং উৎথোক্তনা খোমদা হৌবা ঃ

করিগুম্বা মতমদা ষণবীগী মশাদা নাবগী লায়ওং অমতা উৎপা তৌদনা শঙ্গোম থোকপগী চাংসি চাদা ২০ মুক্কী চাংদা হন্থরকপা য়াওই। শঙ্গোম অদু চাংয়েং তৌবা মতমদা খোমদা হৌবগী মহীকশিং য়াওবা থেংনৈ। মসিবু লায়ওং উৎতবা খোমদা হৌবা হায়না খঙনৈ।

(খ) লায়ওং খঙনবা খোমদা হৌবা ঃ

মসিদা মখল অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই-

**অহানবদা য়াম্না থুবা মওংদা নারকপগী লায়ওং ঃ**

অহানবা হৌরকপদা মশা নীল্লকপা, মশা শাগৎলকপা, লাইহৌ হৌরকপা, নুংশা শ্বর নীংথিনা



হোনবা ঙল্লক্তবা, চানিং থক্লিংবা ফাওরক্তবা, শগুপ শাইরক্তবা, শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপা, মখোমগী শরুক অমা নৎত্রগা লোয়নমক ঙাঙশং ঙাঙনা চাউথোরকপা, ফোং ফোং শাগৎলকপা, শোকপদা য়াম্না নাবা ফাওবা থেংনৈ। ষণবুনা নারিবা ষণবীদুগী শঙ্গোম শুমদোল্লগা য়েংবদা নাপু মচু মানবা অরাংবা মহী মরক্তা অঙৌবা মপং মচেৎ মচেৎ য়াওবা থেংনবীগনি।

**অনীশুবদা খরা হন্থবা/তপথবা মওংগী লায়ওং ঃ**

লায়না অসি খঙহৌ হৌরকপদি নত্তে, শঙ্গোম শুম্না শুম্না নারক্কনি। শঙ্গোম শুম্বা মতমদসু ষণবীদু বেরা তৌবা থেংনগনি। শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থগনি। চাবা থকপদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। ষণবুনা অহানবা শুম্বা শঙ্গোমদুদা মপং মপং মচেৎ মচেৎ য়াওবা থেঙনগনি। মতুং তাবদা শঙ্গোমগী মচুদু নাপু মচু মাল্লপ তৌবা নৎত্রগা ঙাঙলৈননা উগনি। হায়রিবা মতমসিদা শঙ্গোম থোকপগী চাংদি হান্নদগী হন্থগনি।

লায়না অসিগী লায়ওংদি থোইদোক্লা চীকপা নাবা লৈতে। য়াম্না তপ্লা মতম চঙনা মখোমগী শরুক খুদিংমক খজিক খজিক চাউখৎলকপা উগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম থোকপগী চাংসু অসুম অসুম হন্থরক্কনি। শঙ্গোমগী মচুসু নাপু মচু ওইরকই। করিগুম্বা মতমদা মপং মপং নৎত্রগা অঙৌবা মচেৎ মচেৎ য়াওবসু থেংনৈ। শঙ্গোমগী মনমসু নমথীরকই। চৈনাখোল য়াওদনা তপ্লা তপ্লা খোম অমদি খোমজিনশিং চাউখৎলকই অমদি শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপসিনা ষণবীদা খোমগী টি বিনা নারকপগী খুদমনি হায়না লৌবা য়াই।

**লায়না খঙদোকপা অমদি ঙন্না লায়েংবীহৌবা ঃ**

ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীশিংদু মতম অয়াম্বদা নীংথিনা শেন্নবীগনি। খোমদা হৌবগী লায়ওংশিং অসি নীংথিনা খঙজিনবীদুনা হেক হৌরকপগা খঙদোকপা য়াম্না মরু ওই। লায়ওংশিংদগী লায়না অসি নারে হায়বা খরমখৈ খঙলবসু চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক শঙ্গোমদু খোমজিন মরীদগী তোঙান তোঙানবা পাত্রদা মশক খঙনা হাপ্পীদুনা শঞ্জেনথোংদা লৈরিবা ডি আই ল্যাবতা চাংয়েং তৌবীগনি। করিগুম্বা ষণবুদুগী ষণবীদু খোমদা হৌদুনা নাবা তারগদি য়াম্না ঙন্না লায়েংবীহৌবনা ফৈ। মনাক নকপা ডাক্তর অমা কৌবিদুনা লায়েংবীগনি।

অহানবা লায়েংগী ওইনা ঈশিং অশাবনা হীগা য়ৈবিবা খ্বাইদগী ফৈ। শঙ্গোমশিং য়ারিবমখৈ লোয়না শুমদোকপীগনি। খোমজিন্দা অশোক অপন য়াওরবদি লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংদা এন্টিসেপটিক হীদাক হাপ্লগা চামথোকপীগনি অমদি খোমজিন খোমজিন্দা এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবীগনি।

**ঙাকথোক্লবা মরু ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং ঃ**

খোমদা হৌবসি মরু ফংনা মুখৎপদি ঙমদে। শা-ষণদা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা অমদি নারক্তনবা মতম মতমগী ওইবা টিকা থানৈ অদুবু খোমদা হৌবগী ওইনদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা নৎত্রগা নারক্তনবা অকক্লবা টিকা লৈতে। মরম অসিনা ষণবুশিংনা লায়না অসিদগী নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌবীরগদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমই। চেকশিন থৌরাং লৌবিনবা মখাদা থমজরি ঃ

১) ষনগোল অমদি অকোয়বগী মফম পূম্নমক নীংথিনা লূ-নান্না থম্বীগনি।

২) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা শঙ্গোম হাপকদবা পাত্রা খুদিংমক শেংদোকপীদুনা থম্বীগনি।

৩) শঙ্গোম শুম্বীগদৌরিবা মীদুগী মখূৎ মশা শেংনা হামদোকপীগনি অমদি অনানবা ফীরোল শেৎপীগনি।

৪) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীদা পল্লিবা অমোৎ অকায় পূম্নমক তৈথোক চামথোকপীদুনা লূ-নান্না থম্বীগনি।

৫) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙ অমসুং মতুংদা খোমজিন্দু এন্টিসেপটিক য়াওবা ঈশিংনা শেংনা চামথোকপীগনি।

৬) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা খোমজিনশিংদু ঈশিং অফবনা শেংনা চামথোকপীদুনা অনানবা ফী অমনা শেংনা তৈথোকপীদুনা থম্বীগনি।

৭) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা শেংনা অমদি লোইনবা শুমদোকপীগনি। করিগুম্বা অনাবা খোমজিন য়াওরগদি মদু অতোপ্পা পাত্র অমদা ইকোন কোন্না শুমদোকপীগনি।

৮) খোমজিনশিংদু য়ারিবমখৈ চেখাইবা/তৎপা/শোক-পনবা থোকহনবীরোইদবনি। মসিনা হয়িং তোংবগী চাং ৱাংহন্দুনা খোমদা হৌহনবদা অচৌবা মতেঙ পাঙই।

৯) ষণবুশিংবু য়াম্না তোয়না য়েংশিনবীবা দরকার য়াম্না লৈ। লোয়ননা শঙ্গোমগী মচুদু অওনবা লাকপা উরবদি মনাক নকপা ডাক্তর অমগা তান্নবীদুনা মতম চানা লায়েংবীগনি।

১০) ঈশিং য়াম্না তুংনা লৈবা মফম অমদি হয়িং মরাং কায়বা ষণজাবুংদা শজীক চাহনবীরোইদবনি।

১১) ষণবীনা মখোম খাইখ্রবা মতুংদা খোমদা হৌরক্তনবা খোমজিন খুদিংদা এন্টিবাইওটিক্স কাপ্পীগনি।

১২) অশোক অপন য়াওবা খুদিংমক খুদক্তা হীদাক লাংথক শীজিন্নবীদুনা লায়েংবীগনি।

অসুম্না ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীশিংদু খোমদা হৌবগী লায়ওং নীংথিনা খঙহৌবগা লোয়ননা ঙন্না লায়েংবীহৌরগদি অমাঙবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম অমদি ষণশিং লূ-নান্না থম্বীবা দরকার লৈ। মসিদতা অফবা শঙ্গোম পুথোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ঙমগনি। ●

# পাম্বীশিংদা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মচিঙ্গাক্না লৌরিবা থৌদাং

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

লৌউ-শিংউবগী পোথোক হেনগৎহন্দুনা, হেনগৎলক্লিবা মীশিং অসি চাবা কোন্ননবা হোৎনবা মতমদা শীজিন্নরিবা খূৎশেমগী হীদাক লাংথকশিং অসি ঙসিদি মীওইবগী পুন্সিদা শিংনবা অমা ওইরক্লি। লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা শীজিন্নরিবা হীদাক লাংথকশিং অসিনা পুথোরক্লিবা পোৎলমশিং অদু মীওইবনা চাবদা খুদোংথীনীংঙাই ওইবা মওংদা ওইহল্লকপা, ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা পাৎ, তুরেল, ঈশিং, নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অমদি লায়না তীলনাগী মহীকশিং অসিনা মখোয়বু মাঙহন্নবা শীজিন্নরিবা হীদাকশিং অদুদা হৈনরক্তুনা শিরক্তবা অসিনা হীদাক শীজিন্নদুনা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংনি। মরম অসিদগী লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবগীদমক খূৎশেমগী হীদাক লাংথকশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা পাম্বে থিদবা য়ারক্ত্রে।

পাম্বীগী মচিঙ্গাকশিং অসি মপূং ওইনা পাম্বীশিং অদু মপূং মরৈ ফানা চাওহন্দুনা পোথোক চাথোক হেনগৎহন্নবা থবক তৌই। অদুবু অসিগুম্বা মচিঙ্গাকশিং অসিনা পাম্বীশিং অদুবু লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়ারি। পাম্বী অমনা লায়না তীলনাদগী মপূং ফানা ঙাকথোকপা হায়বসি পাম্বী অদুগীপারি পুরিগী ওইবা মগুনশিংগী মখা পোঞ্জরবসু মঙোন্দা পীরিবা মচিঙ্গাক্কী মখল, চাং অমসুং মতমগী মতুংইন্না লায়না তীলনা মখল অদুবু য়াঙশিনহনবা নৎত্রগা তপথহনবদদি অচৌবা থৌদাং য়ারি। পাম্বীশিংগী মচিঙ্গাক মখল অমা হেক্তা ৱাৎপা হায়বসি পাম্বীশিং অদুবু লায়না তীলনা মখল অমা চংহন্নবগী অহানবা মরম ওই। লায়না-তীলনা অদুনা পাম্বী অদুবু কয়া য়াম্না শাথীনা শোকহনগদবগে হায়বদুদি পাম্বীগী মখল খেন্নবা নৎত্রগা করম্না মচিঙ্গাক ৱাৎপগী থৌওং অসি থেংনরিবনো হায়বগী মখা পোল্লি।

পাম্বী অমদা লায়না নৎত্রগা তীলনা মখল অমনা লায়না চঙবা হায়বসি পাম্বী অদুদা মচিঙ্গাক মখল অমা ৱাৎপা নৎত্রগা হেনবনা ওইহনবা য়াই। লায়না তীলনা থোকহনবা নৎত্রগা ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াবা পাম্বীগী মচিঙ্গাক খরা পনবা তারবদা নাইট্রোজেনগী মখলশিং, পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম, সলফর, ক্লোরিন, নিকেল, মেঙ্গানিজ অমসুং সিলিকোন পনবা য়াই।

কেলসিয়ম হায়বসি পাম্বীশিংদা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াবা পাম্বীগী মচিঙ্গাক মখল অমনি। পাম্বীশিংদা কেলসিয়ম মরাং কায়না য়াওবনা পাম্বীশিংবু অয়াম্বা লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমই। কেলসিয়ম ৱাৎপা লৌফম অসি মপূং ওইনা ঈশিং ইরিদুনা লৈগনবা পাম্বীশিংনা মচিঙ্গাক লৌখৎপা ঙমদবা অমদি শোন্দম নাদম্বা পাম্বীশিং হৌগনবা মফম ওই।

পাম্বীশিংদা লায়না তীলনা নমথবদা পোটাসিয়ম হায়বসিসু মরু ওইবা থৌদাং য়াবা পাম্বীগী মচিঙ্গাক মখল অমনি। পোটাসিয়ম মরাং কায়না য়াওবনা লৌফম অমবু অয়াম্বা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা ঙমই। অদুবু Erwinia rot, downy mildew অমসুং nematodes গুম্বদদি পোটাসিয়ম হেনবনা লায়নাশিং অসিদা মতেং পাংশিল্লি। লৌফম অমা নাইট্রোজেন ৱাংনা লৈরগা পোটাসিয়ম নেম্না লৈরবদি লায়না তীলনা তাগল্লি। অসুম্না পোটাসিয়মনা ৱাংলগা নাইট্রোজেননা হন্থরবা লোয়ননা ফোসফরস মরাং কায়না য়াওরবদি লায়না তীলনা অয়াম্বা ঙাকথোকপা ঙমই।

নাইট্রোজেন কৌবা পাম্বীগী মচিঙ্গাক মখল অসি পাম্বীশিংবু হম হম চাওখৎহনবগা লোয়ননা পাম্বীশিং অদুবু লায়না তীলনাগী মহীকশিংনা ইরায় লায়না চঙহনবদসু মতেং পাংই।

সলফর অসিসু পাম্বীশিংবু লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াবা পাম্বীগী মচিঙ্গাক মখল অমনি। সলফরনা পাম্বীশিং অদুবু কোকফাই চঙগদবদগী থিংনবগী মচিঙ্গাক শাগৎপদা শরুক য়াই।

পাম্বীশিংদা সিলিকোনগী চাং ৱাংনা য়াওবা হায়বসিনা লায়না অমদি তীলনাদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াই। পাম্বী অমদা লায়না নৎত্রগা তীলনানা নাহন্নবগীদমক লায়না/তীলনা নাগনবা পাম্বী মখল, লায়না-তীলনা থোকহনগদৌরিবা মহীক মখল অমদি লায়না তীলনা অদু থোকহন্নবগী মতেং পাংবা অঙ্গৈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভম অমা চঙই। লায়না তীলনা নাগনবা পাম্বী অমসুং লায়না তীলনা থোকহনগদবা মহীক অনীমক লৈরবসু অঙ্গৈং অশা, নোংজু নুংশা অদুগা পাম্বী অদুবু মপাঙ্গল কলহনবদা মতেং পাংদুনা লায়না তীলনা থোকহনগদৌরিবা মহীক অদুবুনা মপাঙ্গল শোলহল্লবদি পাম্বী অদুদা লায়না তীলনা চঙবা ঙমহন্দে। মতৌ অসুম্না পাম্বীশিংদা মখোয়না দরকার লৈরিবা মচিঙ্গাকশিং, মশীং শুনা, চাং চানা ফংহল্লবদি পাম্বীশিং অদু মপাঙ্গল কন্না লৈদুনা লায়না তীলনানা চঙবা ঙমলোই। মরম অসিনা পাম্বীশিংদা মখোয়না দরকার লৈবা মচিঙ্গাক্কী মখলশিং খঙদোক্তুনা চানবা চাংদা মতম চানা চাইদুনা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ওর্থোদোক্স পোলিটিক্স তোকপীরো! ৱাখল্লোন হোংবা চুম্লে

**- মনিসনা মঙাং -**

রাজনিতি নৎত্রগা পোলিটিক্স হায়বা ৱাহৈ অনী অসি ইরমদম অসিদা চপ মান্নবা ৱাহন্থোক পীরি। খেন্নবা লৈরমগনি, লৈফমসু থোকই। অদুমকপু নোংমতা ময়েক শেংনা তাক্লদে, তাক্লবসু হোৎনদে । মরমদি তাক্লুবগী কান্নফম লৈতে, শীজিন্নফম লৈতে। ৱাহৈ অনীমক চপ মান্নে হায়দুনা লোইনমক লৌনৈ। ইতেন তেন্না য়াম্না শম্না 'রাজনিতি' হায়বসিনা হিন্দিনি অদুগা 'পোলিটিক্স' হায়বসিনা ইংলিসনি। হৌরকফম অমদি শীজিন্নফম তোঙানবা মখোয়গী ৱাহন্থোক মফম মতম মান্নদবনা চপ চাবা লৈতে, হন্নীংবা মওংদা হল্লি। লোইনমক চুম্মী, লমদম অসি মণিপুরনি, লৈবাক অসিনা ইন্দিয়ানি।

ওক্সফোর্দ দিক্সনারিগী মতুংইন্না Politics – the activities associated with the governance of a country or areas, especially the debate between parties having powers. হিন্দিদনা রাজনিতি হায়বসি রাজ + নিতি হায়বদি অচুম্বা মতমদা মতম চানা লৈঙাকপদুবু রাজনিতি হায়বসু য়াই। অনী অসি লাইরিক্কী ৱাহন্থোক্তদি য়াম্নমক খেন্নবা ওইদ্রি অদুবু ঐখোয়না উরিবা রাজনিতি নৎত্রগা পোলিটিক্স হায়রগদি ইলেক্সন ময়াদা লৈঙাক পায়রিবা কাঙবু অদুবু লৈঙাক পায়হৌদ্রবা কাঙবুনা হুন্দুনা, চৈদুনা ঙাঙবদুবু রাজনিতিনি হায়না উরি। মরমদি লৈঙাক অমগী মথৌ অসি পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেট, সিটিজন অহুম্মক্তা ইমান্দা মান্নবদৌনা উবসিনা ওইগদ্রা খল্লি।

পোলিটিক্সকী তোঙান তোঙানবা মশক, মওং কয়ামরুম থোরক্লে। মতম অমগী অঙাঙবনা জয় ওই হায়বদু কম্ম্যুনিষ্টকী অঙাঙবদো ওইরমদ্রে। মফম মতম চানা মচং ওইবা ঙাঙবদুবু ওইরম্লে। ৱা কন্না-কন্না ঙাঙবা, মশা-মউ ফবা, শেল পায়বা মীনা লুচিংবনি হায়রগদি মদু অপঙবা মপান থোকপা তাগনি। মীওইবা খুন্নাই চাওখৎলকপগী মতিক ৱাখল্লোনসু হায়নীংঙাই লৈতনা চাওখৎলে। মসিনা মরম ওইরগা অরিবা মতমদা লৈরম্বা ৱাখল্লোন অদুগী চুনরম্বা আইদিওলোজি ঙসিদি চুনবা অমদি চানবা খরা মখৈ ৱাৎলগনি। ঐখোয় মতমগী ঈচেলসিদা হোংবা তঙাইফদে। আইদিওলোজিকেল ভেল্যু, ইথিক্স, দিসিপ্লিন, আইদেন্টিটি ময়ামসিমদি ঙাক্তুনা থম্বা চঙই। পূম্নমকসি অওনবা খুদিংগী হোংলগদি হৌরকফম থিবদা অৱাবা ওইগনি। লোয়ননা হৌরকফম খঙদবা তাগনি। মমাঙথক্তা পোলিটিসিয়নশিংনা তৌবিরম্বা, চত্থবীরম্বা লৈঙাকলোন ঙসিদি অঙকপা ফংনা হোংলে। মরম অসিনা রাজনিতি তৌবীরিবা মীওইশিংনা অওনবা অসি খঙনা ৱাখল্লোন হোংবা য়াম্নমক মরু ওইরে। মতম অমদা মমিং লৈরবা মীওই কয়ানা ইলেক্সন মতমদা নুংঙাই-নুংঙাইবা ৱা ঙাঙদুনা মীয়াম্বু শুমহৎলম্বা অদু ঙসিদি 'ভাষন পোলিটিক্স' য়ারমদ্রে লৈঙাক চুম্না খূৎকা, চিনগা চানবদু ওইরম্লে। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি দেল্লী লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন, ২০২০দা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংনা পাল্লিবসি লৈঙাক চুম্বা, মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবা, নুংশি-চান্ননা, ঈংনা-চিক্লা লৈবদুনি হায়না লৌনরি। মসিমক্তি অরায়বা অমদি কনভেন্সনেল পোলিটিক্সনদি ওইথোকপা ৱাগনি। মতমসি সুপর কম্প্যুটরগী মতমনি, কোক্কী লান দরকার ওই।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন লোইখিবসু য়াওরে। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকপা য়ানা লৈরিবা ষ্টেট কয়াসু লৈরি। খুদম ওইনা পল্লবদা গোৱা, মণিপুর, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, উত্তরখণ্ড, হিমাচল প্রদেশ, গুজরাটনচিংবনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা মখোয়গী কেন্দিদেট ওইজগে খনবা কয়ামদি তূম্বা চাবা কাউবমখৈ হোৎনবা য়াওরি। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা অকনবা লায়না মরকসিদা কেন্দিদেট ওইজনীংবশিংনা সোসল ৱার্কর, পোলিটিসিয়ন, সোসল এক্টিভিষ্ট, একাদেমিসিয়ন, এদ্যুকেসনিষ্ট পূম্নমক ''ওল রাউন্দর' গী মথৌ তৌরি। ইশম শম্না সোসল ৱার্কর কম পোলিটিসিয়ন কম সোসল এক্টিভিষ্ট কম কেন্দিদেট; কম ময়ামগী 'কম্মর' ওইরি। লৈকায়দা লৈ খঙদবা কয়াসু কম্মর ওইরক্লে ''কোভিদ-১৯'' য়ৌরকপদগী। মখোয় ময়াম থোরকপদগী কোন্না কান্নখিদবদি য়াই অদুমকপু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি কান্নবা থবক খরদি তৌরি। কোভিদ-১৯না চৈথেং ফংলবা কয়াদা ৱাশকপা য়ানবদা ওইরবসু মতেং কয়া পাংলি। কন্টেনমেন্ট জোন রিলিফ মেটরিএলস, দ্রিঙ্কিং ৱাটর সপ্লাই, দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ বেসিক নীদস, কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ময়ামশিং অসি লেপ্পা লৈতনা মণিপুরগী মফম কয়াদা চত্থুরি। পূম্নমকসি ফত্তে হায়বদি নত্তে, য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। অদুমকপু লাক্লিবা ৱাহংদি চত্থুরিবা থবক থৌরমশিং অসি ভোট ময়াগী মশাগী খুদোংচাবা খরগীদমক চত্থবা ওইরগদি লৈবাক অসিগী য়াম্না থৌদাং লৈবা সিটিজন অমনি হায়রগদি ইকায়নীংঙাইনি। ''ওর্থোদোক্স পোলিটিক্স'' তৌবীগনু। য়াম্না অতেনবা মতমগী খল্লগা ফদিগোম থাবীদৌ শরুক মতম খজিক্তং চঙলগসু য়োংচাক থাবীয়ু। মদুনা মীয়ামদসু কান্নবা, থাবীরল্লিবা মীশক্তুসু নোংমতং ওইরবসু হরাও হরাও শোন্নগনি নীংই। মচিন মনাও, মমা-মপা ফাওবা পীজনীংলক্ত্রবা খুন্নাই অসিদা কয়াম কুইনা মীয়ামগী 'দানবির' ওইখিদৌরিবনো? থক্লবা ঈশিং য়েনবীদৌ শরুক লৈকায়গী, খুলগী পুখ্রি অচৌবা অমা লূনা, নান্না শেম্বীয়ু। মদুনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। লোয়ননা থৌদাং লৈবা সিটিজন অমনি হায়না লৌগনি।

লম্বীদা অহল অমখক্লা চৎনবা য়াবা ৱাফম অমতং ফোঙদোকহৌই, 'পোৎ চৈ য়েনবদা লমজেল তৌবীরনু, কেমেরা মমাঙদা হিরো শাবসু লেপ্পীরো, লায়নাগী মতমনি মীয়ামসু য়ূমদগী মপান থোক্তনবা লম্বী মচা অমখক্তি লৈ''।

''ইরমদম অসি ফিশা-লোনশা, খূৎ-শা হৈবা লমদমনি। মখোয়দা মখোয়গী শিন্থা পাংনবা মতেং পাংউ। শেল থাদবদা পাম্মুগনু। মখোয়না শারকপা ফি, মখোয়না শেন্নকপা পোৎলম ভোট লেপকদৌরিবা নখোয়না অমুক লৈয়ু। চাক্কৌবা, দিৱালি, কুট ফেষ্টিবেল, নুপী লাল, খৃষ্টমাস, ইদ-উল-জুহা, মেরা হৌচোংবা, গান-ঙাই, য়াওশঙনচিংবা লাক্কদৌরবনি। মদুদা লৈদৌ লৈরবনি, হৌজিক্কী পোৎ চৈশিংদু খুদোল তম্বীয়ু মদুনা হেন্না মহয় ওইগনি।''

অহল অসিগী ৱাফমসি ইচম চম্বা ওইনা লৌরম্বদি য়াই। অদুমকপু মাগী পোলিটিক্স অসিমক্তি ''অনওর্থোদোক্স পোলিটিক্স' অমদি ''অনকনভেন্সেনল পোলিটিক্স' কী মমি তাব্রা হায়না লৌই। সপ্লাই চ্যেন সিষ্টম, হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন, অমত্তা ওইবগী লিচৎ অমদি অহল-লমনশিংগী পাউরৌদা লিনসু শিবা চৈশুসু তেক্তবা হায়গুম্না ঐখোয় মশেলসু নুংশিনবা হেনগৎপা, লোয়ননা লায়না অসিদগী চেকশিনবগী অফবা খোঙথাংসু ওইরগদ্রা হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ।

লৈবাক অমা, লমদম অমা অফবা লৈঙাক লৈহনগে হায়রগদি মীয়াম্না অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লাইরিক-লাইশু হৈবা, রাজনিতি হৈবা, ইথিক্স লৈবা মীবু পুথোকপীরকউ। কান্নবা খরগী, ওইজবা খরা ফংহৌনবা মতুং ইনবা মীশিং য়াম্নবা মশা মথন্তা থাজবা ঙমদবা মীওইশিংদু মীহুৎ ওইনা পুথোকপীরক্কনু। মখোয়দুনা শোয়দনা মায় পাকখ্রগা তৌথোরকপদনা নাক-পু তাদবা, থক-খা খঙদবা, মনুং-মপান নাইদবা, চোইরোল-পারোল ঙাঙলক্লগা লেমনি খনবীগনু। ইকায়বসু খঙবা চুম্মী। লৈঙাকপা হায়বসি অঙাং মচাগী চাকথোংবী শান্নবা নত্তে। লাইরিক লাইশু হৈতবা, থৌগল্লোন মশক খঙদবা, থক-খা নাইদবা মীওইনা ইকায় খঙবা হৌনদে। থমজনীংলিবা ৱাফমদি থাগৎলোইদবা মীহুৎ থাগৎলুবা হায়বসি মীয়ামগী অশোয়বনি । লোয়ননা লৈঙাক্তা চাউনা শোয়রকপদদি পাল্লিবা লৈঙাক অদুগী অশোয়বনি হায়না হেক্তা লৌবীগনি। অনীমক ওনশিন্দুনা নিংঙাই শংদানবনদি ৱারোইশিন পুরক্লোই। অশোয়বা খরা য়াওরকই হায়দুনা পূম্নমকশোয়হনগনি হায়রগদি 'লৈঙাকলোন' নৈনরক্তবা ওজা-গুরু নাঁইদবনি হায়না ফোঙদোকপগা থোইদোক্লা খেন্নরোইদ্রা খল্লি।

"The duty of a true Patriot is to protect his country from its government". - Thomas paine. Thomas Paine গী ৱাফম লৈঙাকলোইশিংনা নৈনবা চুমগনি। লোয়ননা কনভেন্সেল পোলিটিক্স - খৎনবা, হুন্নবা, কান্নদনা লাউনবা তোকপীরো। অনৌবা কন্সত্রক্টিভ পোলিটিক্সতা খুমাঙ চাওশিন্নবা মায় ওনশিনবীরো। দানবির রাজা হরিচন্দ্র ফাও মরল মথুম লোইবা নাইখিবনি। দানবির মান্নবা মোইথেম তৌরনু। মীয়াম পঙবা মানবনি। অপঙবা মীওই অমত্তসু লৈত্রবনি...! ●